ঙসিগী রাশি ফল

মেষঃ পুং ঈশৈ তৌবা য়াম্না কানবা নুমিৎ ওই।
বৃষ ঃ ঈশ্বরগী থবক থৌরমদা পুক্লিং চংবা নুমিৎনি।
মিথুনঃ তুশিনবদগী ফমুংদা লৈবা নুমিৎনি।
কর্কটঃ শা-ষণগী মরীদা শেল চৎপা নুমিৎনি।
সিংহ ঃ গাড়িগী থবক্তা শেল মাঙবা শাওনিংবা নুমিৎনি।
কন্যাঃ কানদবা থবক থৌরমদা শেল চৎখিবা নুমিৎনি।
তুলা ঃ মরুপ মপাংগা লম-তু কোয়বা য়েংবা নুমিৎনি।
বৃশ্চিক ঃৱাখলনা তুম্বা য়াদবা , চরাংনবা নুমিৎনি।
ধনু ঃ শুবা নোম্বদা য়াম্না কানবা নুংঙাইবা নুমিৎনি।
মকর ঃইমুং মনুং চরাংনবা, নিংবা থুংদবা নুমিৎনি।
কুম্ভা ঃ লৌউ-শিংউবগী থবক্তা য়াম্না নুংঙাইবা নুমিৎনি।
মীন ঃ লাইরিক ফোঙবা নুংঙাইবা নুমিৎনি।

গ্যাসকী এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাংথোক্কনি

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৯ঃ নোর্থ ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন শওম্বুং ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা আর বি দি ইন্দেন সার্ভিস লমলাই চালৌগী কঞ্জুমরশিংনা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ৭ কী অয়ুক পুং ১০.০০ তাবা লমলাইগী ইবুধৌ পুরেরোম্বা কম্যুনিটি হোলদা গ্যাস কঞ্জুমরশিংগী ওইবা এৱার্নেস কম ভেরিফিকেসন প্রোগ্রাম ১ পাংথোক্কনি হায়রি।

ঈশৈ চাংদম্নগনি

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৯ঃ পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বর চেরিটেবল ট্রষ্ট ইম্ফালনা শিন্দুনা চহী অসিগী ওক্তোবর ১৪ দা নবকিশ্বরনা ইবা ''চুম্মী'' হায়না লৌবিৱা ? ''লাল্লী'' হায়না লৌবীৱা? হায়বা লাইরিক অসিদগী লৌথোক্লগা অনিরক শুবা পাউরৌ পাউতাক্তা য়ুম্ফম ওইবা মণিপুর পুম্বগী ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম ১ লময়ানবা শংলেন কোনুং মমাংদা পাংথোক্কনি হায়রি।

অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৯ঃ মণিপুর এদুকেশন সার্ভিস গ্রেদ থ্রি লৌনবগী এম পি এস সিনা এদভরটেজমেন্ট থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুগী মতাংদা অগষ্ট ২২ দা তাখিবা ওল মণিপুর এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্টর ওফ স্কুল গী ৱারেপ মতুং ইন্না হুকুম অদু মরিপুর হায়কোর্টকী হুকুম অমনা মতম কক্তুনা অথিংবা থম্লে হায়না ওল মণিপুর এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্টর ওফ স্কুলগী চেরোল অমনা হায়রি।

উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল *আগষ্ট* ২৯ঃঅমুকো য়াওনা চৎমিন্নরিবা লুপশিং হায়বদি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, য়ুকোবিদ উভাকো, নম্বোল অমদি সদু চিরু য়ুঠ ক্লব সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট কী মেম্বরশিং শরুক য়াদুনা উ চারা থাবা হৌখ্রে।

ঙসি চৎখিবা উ চারা থাবগী মফমশিং অদুদি, হৈনৌবোক ইবুধৌ লোয়ালাকপা কেম্পস অমনি সদু চিরুয়ুঠ ক্লবকী প্লে গ্রাউন্দনচিংবশিংদনি। থৌরম অদুদা মরু ওইনা অমুকো অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা লুপশিংনা উ চারা থাবগী মরু ওইবা পান্দমদি , মহৌশাগী ওইবা খল কায়থরক্লিবা কয়াশিং অসিগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙম্বা হোৎনবনি। লোয়ননা থারিবা উ চারাশিং অসি ক্লবকী মেম্বরশিংনা হিংহন্ননবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

রেষ্টুরেন্টশিংগী এৱারনেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল *আগষ্ট* ২৯ঃ ইরমদম অসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা ক্রাইমশিং মরু ওইনা নুপী ওইবীশিংদা ওৎপী -নৈবীবা, নুপীশিংবু মীনুংশি লৈতনা হাৎতোকপীবা, নুপীদা ওৎপা, হাৎপা লেপ্তনা চৎথরি। মপুরোইবনা থৌওইবীদবা, মপামদসু চংজফম লৈজদবা নুপী কয়া লৈরি। উপাই লৈজদ্রবী কয়া ওর্গনাইজেসন্না চংজফম পীরি। কয়া অমনা মরী লৈনবা হোম কয়াদা শিন্নখ্রে।

উপাই লৈজদ্রবী নুপী কয়া অসি অরানবা , শেরান্নবা লম্বীদা চৎখিদনবগীদমক য়ং ব্লুমেন হেল্প ওর্গনাইজেসন্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। অসিগুম্বা শোথরবা নুপীশিং অমদি রেষ্টুরেন্ট কয়াদা রেষ্টুরেন্টকী ৱাহন্থোক্তা রেষ্টুরেন্ট হাংদবনা মরম ওইদুনা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা,নুপীমচা, য়ুম পাল্লবা, পাল্লবী কয়াগী লমচৎ মাঙফম রেষ্টুরেন্টশিংনা ওইরি। পুম্নমক অসি মীয়াম পুন্না জ্ঞান তামিন্নদুনা অফবা খুন্নাই অমা পুরক্ক বগী এৱারনেস প্রোগ্রাম ওইনা রেষ্টুরেন্ট কয়াদা চৎথনবগীদমক পায়খৎকদবা থৌরাংশিং অসিদা ইরমদম অসিগী মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়না য়ং ব্লুমেন হেল্প ওর্গনাইজেসন, কোনুং মমাঙগী চেরোল অমনা হায়রি

ইম্ফাল ৱেষ্ট কী হরাও চীংদা স্পের্টস য়ুনিভর্সিটি শাবনা খ্বাইদগী মফম চাবা ওইগনি

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৯ঃ এন দি এ গভর্নমেন্টনা মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী মগুন খঙবীদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ১ লিংখৎপীনবা অয়াবা পীরকপা অসি থাগৎনিংঙাইহনি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী মফম চাবা অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কী মনুং চন্না লৈরিবা হরাও চিংদা শাবনা হিরম খুদিংমক্তা কান্নবা অমদি ইকনমিক ওইবা হেনগনি হায়না তানিং দিভলপমেন্ট ক্লবময়াংলাংজিংগী চেরোল অমনা হায়রি।

হায়রিবা মফম অসি নেসনেল হায় ৱে ৩৯ গী মনাক্তা লৈবা স্পাইনিংল মিলদগী খরা চৎলগা মনিং পাংনা য়েংথবদা পুক্লিং হুনিংঙাই, লম্ফেল পাৎতগী গেমভিল্লেজ উবগা থোইদোক্লা খেন্নরোই। শিংদা দামগী অৱাং মাইকৈদা য়েংবদা খেন্নবা লৈতে। হরাওচিংগী মখা থংবা শরুক্তা সিংদা দামগী টুরিষ্ট সেন্টর লৈবনা ইশিংগী অমদি চথোক-চৎশিন তৌবদা মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লানুংঙাইবা মফম ওইগনি।

অৱাং থংবদা লৈমখোং অর্মি কেম্প ১দি হাইড্রো পৱার ষ্টেসন লৈবনা সিক্যুরিটি পোইন্ট ওফ ভিয়ুদসু হেন্না খুদোংচাবা ওইগনি। শেঞ্জম খুন্নৌ ১দি চিরোংগী খুঞ্জাশিংনা হৌজিক্কী মতমদা লম তাংলবা মতম অসিদা মণিপুর পুম্বগী শান্নরোইগী খনবীদুনা মমল লৌদনা লম একর ২০০ দগী হেন্না দরকার লৈরবসু পীগে হায়না ৱারেপ লৌখিবা অসিনসু অমুক্কা হেন্না ইকনমি ওইরে।

হৌখিবা অগষ্ট ৪ দা সেন্ট্রে গভর্নমেন্টকী টিম ১গা লোয়ননা মরী লৈনবশিংগা খুৎশম্নদুনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট শিং হায়বদি, সেনাপটি, উখ্রুল, থৌবাল ১দি বিষ্ণুপুরদা য়েংবা লোয়রবা মতুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট হরাও চিং হায়রিবা মফম অসিদা য়েংখি। অদুবু মমশিলকপা মতম ওইবনা খুঞ্জাশিংনা পেন্দবা ফোংদোক্লখি।

অগষ্ট ১০ দা কৌত্রুক কম্যুনিটি হোলদা মীয়াগী মীফম পাঙথোক্তুনা স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি অসিগী দরকার ওইবা লম খুদিংমক পীগনি হায়না খুঞ্জাশিংনা ৱারেপনখি। মীফম অদুদা স্পোর্টপু পামজবা মীওইশিং, সোসিএল ৱার্করশিং, জিল্লা পরিষদকী মেম্বর, ময়াংলাংজিং নচিংবগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। মরম অসিনা স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি অসিগী শাফম থিন্নরকপদা অগষ্ট ২৫ দা চিফ মিনিষ্টরনা ককচিং মখা কম্যুনিটি হোল শঙ্গাবগী থৌরম অমদা য়াইথিবী চিংদা শাবা হৌরগনি হায়না পাউ চে কয়াদা ফোংদোক্লখি। মদুগী মতুংদা বি জে পিগী প্রসিদেন্টনা য়াইথিবী চিংদা স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি শাবগী সেন্টরগী মিনিষ্ট্রিএল টিম অদুনা এপ্রুভেল পীখিবা লৈত্রি হায়না ফোংদোকখি।

য়াইথিবী লৌকোলদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাখিবা তারবদি মীওই লিশিং ১ হেনবনা চহি অমদা চানবা চিঞ্জাক ফংলরোই অমদি মহৌশাগী খল কাইহল্লগনি হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা মত ফোংদোক্লরক্লি। মরকসিদা অগষ্ট ২৮ গী নুংতিগী ফোংবা নহারোলগী থৌদাং চেফোংদা হাপলকপদা গভর্নমেন্টকী ইনক্কারিদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট হরাও চীংদা মফম খ্বাইদগী চায় হায়না ফোংদোকখি।

অদুগা চহী অসিগী জুলাই ৩১ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সিগা লমশাং এস দি ও ১দি প্রধান ফুমলৌ জি পি ১দি ফয়েং জি পি য়াওনা টিম অমা থাদুনা স্পোট ইনক্কারি চথরুবদা মফম খ্বাইদগী চায় হায়না খনে দাকখিবা লৈরবনি। ইনক্কারি টিম অসিগী রিপোর্টতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সিনা য়াসকী কম্মিস্নরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি হরাও চীংনা মফম খ্বাইদগী চায় হায়বা রিপোর্ট থাখ্রে হায়নসু পাউ চে শিংদা থেংনরে। দি সিনা থারিবা রিপোর্ট অদু কৌত্রুক ভিলেজ খুল নম্বর ৪৭, দাগ ১গী একর ১৩৭.৬২ পাক চাওবা ষ্টেট লেন্দ অমদি একর ৭০ পাক চাওবা অনসরভে ষ্টেট লেন্দ পুন্না একর ২০৭.৬২ অসি ফ্লেট লেন্দ এরিয়ানি হায়না ফোংদোকপা অসিসু মনুংগী ওইবা ৱারোল কয়া অসিনা হরাও চীং অসিদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবদা স্পোর্টস মিনিষ্টর ১দি মরী লৈনবশিংনা তেংবাংবীদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক, শেঞ্জম খুন্নৌ অমদি শেঞ্জ চিরাংগী লম অসিদা তুংগী মীরোোলগীদমক খনবীরগা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি শাবীয়ু। মসিদা লমদম অসিগী মৈরা পাইবী ১দি ক্লব সংস্থান খুদিংমক্লা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়রি।

হিয়াংথাংদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৯ : অগষ্ট ১ দগী হৌদুনা ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা (বিজেৱাইএম) না শিন্দুনা চথরকখিবা ১৮ শুবা অথৌবশিংগী নিংশিং থা পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি হিয়াংথাং মনিং লৈকাইদা লৈবা হিয়াংথাং গ্রাম পঞ্চায়টকী শঙলেন্দা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

বিজেৱাইএম মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ও মালেশনা লুচিংদুনা চথখিবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেলঠ সোসাইটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চিফ মেদিকেল ওফিসার এস বিমোলাকুমারী য়াওনা দাক্তর কয়া য়াওনা চথখিবা মেদিকেল কেম্প অদুদা হিদাক কয়াসু লেম্না য়েহোকখি।

এক্সরে, অলত্রা সাউন্দ, ইসিজি অমসুং ব্লদ টেষ্ট কয়াগী ফেসিলিটি য়াওবা মোবাইল লেভোরেটরি মেছিন কয়া য়াওবা গাড়ি অনি য়াওনা চথখিবা কেম্প অদুদা টেষ্ট মখল কয়া লেম্না তৌখি।

মেদিকেল কেম্প অসিগী মতাংদা বিজেৱাইএম মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ও মালেশনা হায়, ১৮ শুবা অথৌবশিংগী নিংশিং থা পালন থৌরম অসিগী মনুং চন্না সোসিয়েল সার্ভিস কেম্প, পেন্টিং কম্পিটিসন, মেদিকেল কেম্প, স্পোর্টস কম্পিটিসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরম পরেং কয়া চথুনা লাক্লি।

ঙসি হিয়াংথাংদা পাঙথোক্লিবা মেদিকেল কেম্প অসিদা অনাবা ৫০০ রোমগী ময়াদা লায়েংখি। অনাবশিংদা হিদাক লাংথকশিংসু লেম্না য়েহোকখি।

বিজেৱাইএমনা মণিপুরগী মীয়ামগা হেন্না নকশিন্নবা থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি। মণিপুরদা বিজেপিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবগা লোয়ননা য়ুঠশিংগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি।

মণিপুরদা চৎনবী অমা ওইনা প্রজাশিংদা পীগদবা পিদিএসকী পোৎলমশিং লোকেল এমএলএশিংনা পায়শিন্দুনা মহাক্কী চাকথুং মানবা মওংদা য়েহোক্লিবা অসি তৌহন্দনা দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী খুথাংদা ওইনা য়েহোক্লবা অথুবা মতমদা বিজেৱাইএম মণিপুর প্রদেশকী মীহুৎ কাংবু অমা সেন্টরদা চৎতুনা মরী লৈনবা ওঠোরিটি অমসুং লুচিংবশিং উন্নরুরগনি। মদুগীদমক সেপ্তেম্বর থাদা দিল্লিদা চৎলগনি হায়না মালেশনা ফোঙদোকখি।

সিএয়ুদা 'কম্মোদিটি ফ্যুচরস মার্কেট' কী মতাংদা কেপাসিটি ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৯ : সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সিএয়ু) ইম্ফালগী দাইরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদুকেসননা শিন্দুনা কম্মোদিটি ফ্যুচরস মার্কেট হায়বা কেপাসিতি ব্যুলদিং ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী সিএয়ু ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনি চুপ্পা চথগদৌরিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এনএমসিই অহমদাবাদকী মার্কেট ৱাটচ, সর্ভিল্লিয়েন্স এন্দ ওদিটকী ভাইস-প্রসিদেন্ট দিনেশ শুকলানা চিফ গেষ্ট, সিএয়ু ইম্ফালগী দাইরেক্টর ওফ এক্সটেন্সন এদুকেসন ডা: এম প্রেমজিৎনা প্রসিদেন্ট, দাইরেক্টর ওফ রিসার্চ ডা: এম রোহিনিকুমার, সিএয়ু ইম্ফালগী দাইরেক্টর ওফ ইনষ্ট্রক্সনগী ডা: এসএস ঙারা অমসুং সিএয়ু ইম্ফালগী কলেজ ওফ এগ্রিকলচরগী দিন ডা: জেএম লাইশ্রমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

কেপাসিটি ব্যুল্ডিং ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা ষ্টেট অসিদা লৈবা কেভিকে, এগ্রিকলচর অমসুং মসিগা মরী লৈনবশিংগী ষ্টাফ কয়ানা শরুক য়াখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি হৌদোকপগী থৌরমদা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দিনেশ শুক্লানা হায়, কম্মোদিটি ফ্যুচর মার্কেটকী মরমদা নিংথিনা খঙদুনা মণিপুরদা পুথোক্লিবা এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলরগী পোথোকশিংদগী অচৌবা ইনকম অমা লাকহন্নবা হোৎনবদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিনা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়খি।

প্রোগ্রামপাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৯ঃ মণিপুর এলাইন্স ফোর চাইল্ড রাইটসনা শিন্দুনা কোনুং মমাংদা লৈবা মণিপুরী ভলুন্টরি হেলঠ এসোসিয়েসন ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবগী কনফরেন্স হোলদা প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্স (পোকসো) এক্ট এন্দ জুভেনাইল জষ্টিস সিষ্টেম প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কন্সলটেসন প্রোগ্রাম অসিদা এম এ সি আরগী কনভেনর কে প্রদিপকুমারনা ''এন ওভর ভিয়ু ওন পোসকো এক্ট ২০১২'' হায়বসিদা ৱা ঙাংখি। রোল ওফ সি দব্লিয়ু সি ইন জুভেনাইল সিষ্টেম হায়বদি হ্যুমেন রাইটস লো নেটৱার্ককী জুভেনাইল সিষ্টেম হায়বসিদা অহানবা মণিপুর রাইফলগী কম্মান্দেন্ট টি ঐচ রাধেশ্যামনা ৱা ঙাংখি।

ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/JOB NEWS

অথুবগী ওইনা Office কী অহাংবা ফম খরা লৌজগদৌরি।

1. Reception	X	4000 to 10.000
2. Asst. Manager	XII	5000 to 12,000
3. Computer Operator	X	4500 to 10,000
4. Helper, Cook	VIII	3500 to 6000
5. Security Guard	VIII	4000 to 8000
6. Teachers(All Subject)	B.A/M.A	
7. Driver	VIII	4000 to 8000
8. Bank Staff	X above	30,000 to above
9. Merchant Navy	X to Graduate	30,000 to 1L
10. Airport Staff	VIII, X & Grad.	15,000 to 70,000

Interview: 4/09/2014

Helpline No:
#9615484954/8258049425

MILLENNIUM JOB CENTRE,
Yumnam Leikai, Near
Loklaobung Gas

NT/61596/25,27,29,30,1,2(Aug-Sept)

ꯊꯕꯛ ꯃꯐꯝ JOB VACANCY ꯊꯕꯛ ꯃꯐꯝ

Designation	No. of post	Qualification	Salary
JONT MERCHANT NAVY			
Eligibility: X Passed and Above (Males Only) Age: 16 to 28 years Training & Job placement charges: Installment Earn Salary in Dollars/Pounds in short duration			
Urgently requiored post vacancy for Imphal (Manipur)			
1. Office Reception	3	XII & Above	3,000-5,000
2. Branch Manager	2	XII & Above	5,000-15,000
3. Security Guard (M/F)	10	VIII & Above	4,000- 5,000
4. X-Servicemen Security	10	VIII & Above	5,000- 6,000
5. Call Center	20	XII & Above	8,000- 15,000
6. Driver/Cook/Helper/Mother	10	VIII& Above	4,000- 5,500
7. Loan Recovery	5	XII & Above	4,500- 6,500
8. Teacher Eng./Maths/Sc.	4	Graduate	5,000- 7,000
9. Banking Staff	15	Graduate	10,000- 15,000
10. Data Entry	10	X & Above	10,000-15,000
11. Asst. Manager/Field Worker	2	XII & Above	6,000-15,000
12. Field Executive/Store Keeper	2	X & Above	5,000- 15,000
Urgently post vacancy for Airport Company at Imphal/Chennai/Delhi			
1. Ground Staff/Ground Handling	10	XII & Above	15,000- 20,000
2. Cargo Driver/ Air Loader	15	X & Above	10,000- 12,000
3. C.S.A (Customer Service Agent)	10	XII & Above	15,000- 20,000
4. Air Ticketing	5	XII & Above	15,000- 20,000
5. Cabin Crew/ Air Hostage	10	XII & Above	16,000- 22,000

Interview Date: 15/09/2014 Last Date of form submission 13/09/2014
Contact:- # 9862540138 Sd/- Office of the CHANURA JOB CONSULTANCY
8256989532 NAGAMAPAL SORAM LEIRAK.

NT/61384/29,31,2,4,6,7,9,11,13,14(Aug-Sept)

সরকারনা লমদমসিদা লাইনিংগী নুংশিনদনবা নমদুনা থোকহল্লেঃ উকল

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৯ঃ মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা হাউসনা লৌখিবা গোবিন্দজি টেম্পল থার্দ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৪ গী ৱারেপ অসিনা লমদম অসিদা খম থেংলবা লাইনিংগী নুংশিনদবা থোকহনবা হৌরে। মতম চানা অরানবা বিল অসি হন্দোক্তুনা লমদম অসিদা লাইনিংগী নুংশিনদনবা থোক্তনবা সরকারগী মরী লৈনবশিংদা মাইকৈ কয়াদগী হায়জদুনা লাক্লি। অদুবু ব্যুরোক্রেট ওফিসার খরনা চিরোল হৈনরবা মীওই খরগী ফত্তা শরৌদা খোং থাংজিনখিবা সরকারগী খোংফম হন্দোকপা ঙমদনা লৈরে। মরম অসিনা মণিপুর সরকারনা লমদমসিদা লাইনিংগী নুংশিনদনবা নমদুনা থোকহল্লে হায়না উকলগী চেরোল ১না হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী ওইবা লৈশেম-নুংশেমলোনদগী লৈরক্লবা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বীশিং ১দি লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা ওইরকপা উমংলাই শিংবু ঙরাংতা শেম্বা গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মখাদা নমদুনা পন্দিটশিংদা শিন্নরগা কাং-খোং চায়নবা হোৎনরি। মসিদসু নত্তনা হিন্দু গৌড়ীয়া অমদি সনামহি লাইনিং চৎলিবা মৈতৈ শিংগী মরক্তা ৱারেপ অসিনা শিংচেপ থাজিন্দুনা লাইনিংশিংগী মরক্তা নুংশিনদবা থোকহল্লে। উমং লাই হায়বসি মৈতৈদা নত্তনা কবুই, মরিং, চোথে অমদি তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা ইরাৎ থৌনি চহি লিশিং কয়াদগী পাংথোক্তুনা লাক্লিবনি।

মৈতৈশিংগী লৈশেম-নুংশেমলোনগী ৱারীগা শাগোন্নদুনা সনামহি লাইনিংগী ওইবা চৎনা কাঙলোনশিংগী উমং লাইগী লাইথৌ নিংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। চথরিবা থৌওংশিং অসি হিন্দু লাইনিংগী ওথোরিটিগী মখাদা চত্থগদবনি হায়বসি কনাগুম্বা অমত্তনা ঙসি ফাওবা পনখিদ্রি। ঙসিগী মীয়াম্না ৱারৌনরিবা মৈদিঙু পামহৈবনা ফাওবা অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থরমদে। পামহৈবনা মৈতৈ মুত্থৎনবা হোৎনবদা উমং লাইশিং মুত্থৎনবা হোৎনরম্লবসু হিন্দু ওথোরিটিগী মখাদা উমং লাইশিংবু লুখা থানবদি হোৎনরমদে। শুপ্নগী ২১ শুবা চহিচাদা মণিপুরগী লৈঙাক চুপ্পি পায়রিবা ও ইবোবীনা নামুংনবা থৌরাং অসি চত্থরকখি। সরকার অসিনা নাকোইননা মৈতৈ ফুরুপ অসি মলেমদগী মুৎনবা থৌরাং অমা ওইনা উমং লাইশিং লুখা থানবা হোৎনরি। মরমদি উমং লাই অমসু লাই হরাওবা লৈজরম্বনা পীক্লবা মৈতৈ ফুরুপনা ইশাগী শক্তম কায়দনা চাওখৎলবা মালেম অসিদা হিংলিবা অসি সরকার অসিনা পামদে।

গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মখাদা উমং লাই থমদনবা মৈতৈ হিন্দু ১দি মৈতৈ সনামহি লাইনিং চৎনরিবশিংনা কন্না তকশিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা উমং লাই খরনা সনামহি টেম্পল বোর্দকী মখাদা, খরা ১না উত্রাশঙলেনগী মখাদা, অদুগা খরা অমনা গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মখাদা থম্নবা অরোনবা থৌরাং ১ সরকারনা চথরব্রা হায়বগী চিংনবা লুপ অসিদা লৈরে। লমদম অসিগী মরু ওইবা উমংলাই লাইবুং খরা গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মখাদা থমদুনা পন্দিৎ লোইশংদা শিন্ননবা সরকারগী আই এ এস ওফিসার খরনা কন্না হোৎনবগা লোয়ননা চিফ মিনিষ্টরনসু এসেমব্লিদা ফোংদোকপা লৈখ্রে। মসিসু সরকারগী অরানবা থৌশিল ১নি। চৎনবা য়ারোইদবা সরকারগী থৌশিল অসিগী মখাদা করম্বা উমংলাইনা বোর্দ অসিগী মখাদা লৈনিংগদৌরিবনো হায়না হংলক্লি।

সরকারনা উমংলাইশিং গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মখাদা থম্নবা নত্রগা উমংলাইশিং য়েহোক্লবা হোৎনরিবা থৌরাং অসি চহি অসিগী সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা হন্দোকপীয়ু। লাইনিংগী মুক্লবনা মরু হুন্দনবা ১দি পাথাং-পুথাংগী চৎনবিশিং ঙাকপা ঙমজনবা মীয়াম্না হায়জরিবা অসি সরকারনা তাবীদ্রবদি সেপ্টেম্বর ১১ দগী উমংলাই কন্ননবা অমদি

এল গমঙাই ভিলেজগী এমজিএনআরইজিএসকী শেলফম লুপা ৫,৫০,৩৬৬ লান্না লৌথোকখিবা লৈতে: ভিলেজ চিফ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৯ : সদর হিলস সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা এল গমঙাই ভিলেজগী এমজিএনআরইজিএসকী থবক শুবগী শেলফম লুপা ৫,৫০,৩৬৬ লান্না লৌথোকখিবা লৈতে হায়না ভিলেজ অসিগী চিফ শোনথাং হাওকিপনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি এল গমঙাই ভিলেজ খুলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ভিলেজ চিফ শোনথাং হাওকিপনা ফোঙদোরকখিবদা কোলপিচাং ভিলেজগী চিফ দৌসৈ হাওকিপ অমসুং আরটিআইগী এক্তিবিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবা চেখক্তঃদা লৈবা এল গমঙাই ভিলেজনা এমজিএনআরইজিএসকী থবক শুদনা লুপা ৫,৫০,৩৬৬ লৌথোকখ্রে হায়রিবা অদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কোলপিচাং ভিলেজ অসি এম শোংপি ভিলেজগী মনুংদা লৈবা য়ুন্নাক ২ খক্তমক তাবা ভিলেজনি। য়ুন্নাক ২ অদুসু ইমুং মনুং ঙাক্তনি। এল গমঙাই ভিলেজ অসি মণিপুর গেজেট ওইনা মণিপুর সরকারগী সেক্রেটেরিয়েট হিল কম্মিস্নারস দিপার্টমেন্টনা ওক্তোবর ৩০ দা থোকখিবা ওর্দর অমদা হান্না সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী সদর হিলস ৱেষ্ট,কাংপোকপী সব দিভিজনগী মখাদা লৈরম্বা মুনপি ভিলেজ অসি এল গমঙাই ভিলেজ হায়না ওল্লগনি হায়বগী ওর্দর কোপি অদু পাউমীশিংদা উৎপগা লোয়ননা এল গমঙাই ভিলেজদা হৌজিক খুন্দারিবা য়ুমথোংশিং অদু য়েংমিন্নখি।

ইং ২০০৮ দা এমজিএনআরইজিএস হেক লাকপদগী এল গমঙাই ভিলেজদা আইভিআর, মাইনর ইরিগেসন, ৱাটর রিজার্ভর, পাকা দ্রেন অমসুং ঙায়োক পুখ্রিনচিংবা শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লুপা ৫,৫০,৩৬৬ থাদরকখ্রে। হায়রিবা শেলফম অসি নিয়ম লান্না লৌথোকখ্রে হায়না কোলপিচাং ভিলেজগী চিফ দৌসৈ হাওকিপনা ফোঙদোক্লিবা অসি অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ঙাক্তনি। দিআরদিএগী ওফিসিয়েলশিং লাক্তুনা শুরিবা থবকশিং অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা নিয়ম চুম্না শেল কায়থোক্লিবা ঙাক্তনি।

এল গমঙাই ভিলেজদা ইমুং ১১ গী জোব কার্দ ১১ লৈ। হৌজিক ভিলেজ অসিদা য়ুম মশিং খরা হেনগৎলকপগা লোয়ননা ইমুং ১৮ গুম্বা শুরে হায়না শোম্হাং হাওকিপনা ফোঙদোরকখি।

ভিলেজ অসিগী ওইনা লৈরিবা অঙ্গনৱাদি সেন্টর অসিদা হৌজিক অঙাং ৪৪ রোম লৈরি। অঙ্গনৱাদি সেন্টর অসিগী ৱার্করনা লমখোনেং হাওকিপ অমসুং হেল্পরনা নেংজাভাহ হাওকিপ কৌই।

অঙ্গনৱাদি সেন্টর অদু পাউমীশিংগা লোয়ননা পুন্না য়েংমিন্নরদুনা ৱার্কর লমখোনেং হাওকিপনা ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক মথৌ নিংথিনা তৌদুনা লৈরিবা এল গমঙাইগী অঙ্গনৱাদি সেন্টর অসিবু খুল অসিদা মমিংতগী ওইনা লৈ হায়না কোলপিচাংগী চিফ দৌসৈনা ফোঙদোরকপা অসি অরানবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা এল গমঙাই ভিলেজদা এমজিএনআরইজিএসকী মখাদা শুরিবা থবকশিং অদু য়েংমিন্নখি।

মহৈরোইশিংদা খুদোল পীখ্রে

ইম্ফাল *আগষ্ট* ২৯ঃ ইম্ফাল ইষ্ট কী মনুং চন্না লৈরিবা নিল্লাকুথি, কৈকোলদা হৌখিবা আগষ্ট ২৪দা কৈকোল শেমগৎ-শাগৎ নুপী মরুপ অমদি কৈকোল য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব অনিনা শিন্দুনা কৈকোল কম্যুনিটি হোলদা ৮শুবা মহৈরোইশিং পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নিল্লাকুথি গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান থাংজম নিরমলনা অথোইবা মীথুং অমদি কৈকোল নাইন বোর্দকী প্রসিদেন্ট থাংজম ইবোহল সিংহনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কুমসি চহীগী ওইনা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বতা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লকপা মহৈরোইশিংদা খুদোলশিং পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখি হায়রি।

সার্টিফিকেট য়েহোক্কনি

ইম্ফাল *আগষ্ট* ২৯ঃ মণিপুরগী মীতৈলোল হৈবা এক্সপার্টশিংনা ১৯৯৭দা মণিপুরগী মীতৈলোল ইনবা ময়েক খল্লবা মতুংদা রিকমেন্দ তৌখিবা, এপ্রতফ মীতৈ ময়েক ২৭ গেজেটকী ওর্দর থোক্লে। মসিগী মতুং ইন্না মণিপুরগী এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী টিচিং ষ্টাফ অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংগী মীতৈলোলগী ময়েক অমসুং লোলগী ওথোরিটি, মীতৈ রিসার্চ সেন্টর অসিনা মীতৈ ময়েক ২৭না ইদুনা, তাকপী তম্বীদুনা পীবা সার্টিফিকেটতা য়ুমফম ওইবা মণিপুর গভর্নমেন্টনা এপোইন্ট তৌগদবনি।

এমএমআরসিনা পীবা সার্টিফিকেট পায়দবা মীওইদি মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা এপোইন্টমেন্ট তৌবা য়ারোই হায়বা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না মীতৈ ময়েক রিসার্চ সেন্টর মালেমগী চেরোল অমনা হায়রি।

আইএলপিগী খন্নগনি

ইম্ফাল *আগষ্ট* ২৯ঃহৌজিক হৌজিক ওইরিবা আইএলপিগী ফিভম অসিগী মতাংদা ঙসি অমক্তাগী ইমর্জেন্সি একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম অমা মণিপুর কলেজদা পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর কলেজ টিচরস এসোসিয়েসন(অমক্তা)গী ইমর্জেন্সি মীফম অদুদা হয়েং থাংজ নুমিত্তা নোংমগী ওইবা একাদেমিক দিস্কসন ওন ইন্নর লাইন পার্মিট হায়বা হিরম অসিদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা মণিপুর কলেজদা পাঙথোল্লগনি। মীফম অসি অয়ুক পুং ১১দগী হৌগনি। মসিদা কলেজ ওঝাশিংনা মপুং ফানা শরুক য়াবীয়ু হায়না অমক্তাগী চেরোল অমনা হায়রি।

মেলেরিয়াদগী ঙাকথোক্লবা হিদাক অমদি টেষ্ট লেম্না তৌরবসু মীয়াম্না থৌশাদে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল *আগষ্ট* ২৯ঃএন্টি মেলেরিয়া মন্থগী মনুং চন্না ঙসি লম্ফেলপাত্তা লৈবা আরডি ৱিং কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ইন্টরসেক্তোরেল সেন্সিটাইজেসন এন্দ কনসলটেটিভ মীফমদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা চিফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট ডাক্তর এস বিমোলাকুমারিনা হায়খিবদা, মেলেরিয়াগুম্বা লাইওং কয়া নেস্নেল কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মনুং চন্না লমদমসিদা মুত্থৎনবা মখল কয়াগী টেষ্ট অমদি হিদাক লাংথক লেম্না পীরবসু লমদমসিগী মীয়াম্না থৌশাদে। নারক্লবা মতমদনা শেল অমদি মতম মাঙনা চেন চোংলিবসি করিগীনো হংখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, বেক্তর বোর্ন দিজিস থোকহনবা লায়ওং কয়াসি পুং ২৪গী মনুংদা শন্দোকপা তমথিবা লাইওংনি। অদুবু ঙন্না খঙহৌরবদি লাইনা ফহনবা ঙম্মী। মতম অমদা বেক্টর দিজিসশিং অসি অয়াম্বনা মেলেরিয়া ওইরম্মী। অদুবু ঙসিদি কাঙনা থোকহনবা লায়নাশিং জপানিস ইন্সেফলাইটিস , দেঙ্গিনচিংবা মখল কয়া লৈরে। লাইহৌবু হৌরবদি লেম্না লায়েংবীয়ু হায়না দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা হেলঠ সেন্টরশিংদা টেষ্ট তৌবা অমদি লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরবসু লমদমসিগী মীয়াম্না থৌশাদে। হৌখিবা চহী ২০১২-১৩দা ইম্ফাল ৱেষ্টতা জপানিস ইন্সেফলাইটিসনা মীওই ৪ শিখিবগা লোয়ননা থৌবালদসু কেস খরা থেংনখি। অতৈ দিষ্ট্রিক্ট শিংগীদি রিপোর্ট থোইদোক্লাফংখিদে হায়রদুনা ঙসিদি নেস্নেল ইরাদিকেসন প্রোজেক্টগী মখাদা মেলেরিয়া, জপানিস ইন্সেফলাইটিসকী লাইওং থেংনদ্রে। মপুং ফানা মুত্থৎনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং পাংবা মথৌ তাই হায়খি। ঙসিগী থৌরমদুদা দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট কী ডাঃ এস অরুনকুমারনা প্রসিদেন্ট মেম্বর ওইখি।

দেসাম্মা সিবিআইদা থিগৎহন্নবা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল *আগষ্ট* ২৯ঃ মণিপুরদা শেঞ্জা থুমজাগী মতাংদা মহৈরোইশিংগী মায়োক্তা চংশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং অসিগী মতাংদা দেসাম্মা কিরন রিজু, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফিয়ার অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অনিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুগী মরু ওইবা ৱারোলদি রিমসতা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা শেঞ্জা থুমজাগী ৱারোলশিং অসিনা মপুং ওইরি। রিমসতা দেন্টেল কলেজ ওনবগী চেয়র ৩৮ লৈবদা লুপা লাক্ষ ৩.৭৫ চংনা কোলকতাগী ফার্ম অমদগী লৈবা, রিমসকী নর্সশিং রিগুলরাইজ তৌবদা ক্রিমিনেলগী কন্সপিরেসি কয়া দাইরেক্তর ডাঃ শেখরজিৎনা থোকহনখিবা, নর্স ১৯০ কন্ত্রেক বেসিসতা হাপচিল্লগা রিগুলরাইজ তৌহনখিবা। টেলি কোবেল্ট মেছিন লৈবগী ৱাথোক, রিমসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট হাপ্পগী মতাংদা থোকখিবা ৱাথোক কয়াশিং অসিনচিংবগী মরমদা সিবিআইনা থিগৎপীনবা দেসামগী চেরোল অসি পীশিনখিবনি হায়রি।

In the Court of Sub Deputy Collector
Imphal West (Central)

Ref: Mutation Case. No. 1485/SDC/ IW (C) of 28-8 2014
Kangabam Terunkumar Singh S/o (L) K. manikchand Singh of Kangabam Leikai

Petitioners

Vrs.

(Late) Kangabam Manikchand Singh S/o (Late) K. Chaoba Singh of Kangabam Leikai

O.P.

NOTICE

28-8-14

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি। মদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নং ৮৫- শগোলবন্দগী অনৌবা পাট্টা নং ৩১১ দাগ নং ১৭১১৯ অমসুং এরিয়া .০৭৯০ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার কাঙাবম মনিকচান্দ সিংহ পীং মৃত চাওবা সিংহ সাং কাঙাবম লৈকাই মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা ওইনাপানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপাতি তৌবীনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, IW (Central)

NT/61664/30

In the Court of The Sub Deputy Collector
Imphal West (Central)

Ref: Mutation Case. No. 1489/SDC/ IW (C) of 28-8 2014
1. Kangabam Rejendro Singh S/o (L) K. Tomba Singh of Kangabam Leikai
2. -do- Ranjit Meitei S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Ajitmeitei S/o -do- of-do-
4. -do- Chandrajit Singh S/o (L) -do-of-do

Petitioners

Vrs.

(Late) Kangabam Tomba Singh S/o (Late) K. Chaoba Singh of Kangabam Leikai

O.P.

NOTICE

28-8-14

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960

অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি। মদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নং ৮৫-শগোলবন্দগী অনৌবা পাট্টা নং ৩১০ দাগ নং ১৭১১৮ অমসুং এরিয়া .০৬৩১ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার কাঙাবম তোম্বা সিংহ পীং মৃত চাওবা সিংহ সাং কাঙাবম লৈকাই মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা ওইনাপানবিনবা উক্তা গোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপাতি তৌবীনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, IW (Central)

NT/61664/30

POWER ꯄꯥꯋꯔ Chemistry
Keishampat Leimajam Leikai
SUCCESSFUL STUDENTS IN AIPMT-2014

S. Hangao
Rank - 12(ST)

K. Reshmi
Rank - 33(Gen)

Dennica K.
Rank - 39(Gen)

L. Pfokreni
Rank - 41(ST)

V. Hriivio
Rank - 46(ST)

ADMISSION OPEN
- Basic Foundation Course for AIPMT - 2015
- Class XI New Course

L. Sunder Singh
M.Sc.(Dist.), B.Ed., M.Phil.,
Ex-Scientist, JBL, Bangalore
9856340687

Details contact :
Hurry !!! Limited seat
HOSTEL FACILITY AVAILABLE

NTZ/3to31alt (Aug)